ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯖꯅꯨꯋꯥꯔꯤ ꯰꯵, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯷꯹ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

# হুইয়েন লানপাউ

য়ূমশকৈশা, জন্যুৱারী ০৫, ২০২১, ইম্ফাল

৪৫শুবা চহী, ২৭৯শুবা মশীং

## নুংঙাইথোকপবুদি মমল য়াম্মী

### ওর্দরদি শলাক শারে

পেন্থোকপা, নুংঙাইথোকপা হায়বসি ওন্থোক্লা মমল য়ামখ্রবা, থাক ৱাংখ্রবা মীওইবগী মচৎনি। থাক অসি ওইহন্নীংবা অমসুং ফংনীংবা মতমদা খূৎনা লামদুনা হেক্তা ফংবা য়াবা নত্তে। সনা, লুপা অমসুং মমল য়াম্লবা পোৎশকশিংগা মন্তিক্লদুনা মদুগা ওন্থোক্লুরগা ফংবা য়াবসু নত্তে। মসিদি লন্নাইগীবু ওইরো নৎত্রগা মীওই খরগীবু ওইরো মখোয়-মখোয়গী পূক্লিং ৱাখলগী ওইবা থবকনি। মীওইবগী পূক্লিং ৱাখলদা ওইরকহনবা ফীভমশিংদুনা থোকহল্লকপনি। কনামত্তনা থিংলুবা ঙম্বগী পাম্বৈ লৈতে। মসিমক্না দিসেম্বর ২৭, ২০২১দা কোভিদ পেন্দমিক মায়োক্নদুনা লৈরক্লিঙৈগী চৈরক্তা কোভিদ-১৯গী খ্বাইদগী অনৌবা ভেরিএন্ট ওমিক্রোনগী অহানবা কেস মণিপুরদসু থেংনখ্রে। ফীভমসি নীংঙাই ফৎখিদ্রবা অঙাংনা মহাকপু পোরিবা মক্তদা অমুক পম্মু হায়দুনা নঙ্গলদা কপথরকপগুম্বনি। থোং ফত্তবদা মী থোমজিনবগুম্বনি। মরম অসিনা মণিপুরদসু ওমিক্রোনগী পোজিটিভ কেস থেংনখিবগা মথংগী নুমিৎ দিসেম্বর ২৭ অমসুং ২৮, ২০২১দা ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিগী ষ্টেট এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী চ্যেরমেনসু ওইরিবা চীফ সেক্রেটরিনা ঙাক্না চৎকদবা, শোয়দনা পাঙথোক্কদবা ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজর (এস ও পি) অমসুং কোভিদ এপ্রোপ্রিয়েট বিহেবিয়রশিং নৌহৌননা লাউথোরকখি। দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিং অমসুং পুলিসকী এস পিশিংদা পীরক্লিবা দিরেক্সনশিং অসি চেকশিন্না থবক্তা ওন্থোক্লবা অকনবা পাউতাকশিং পীখি। ষ্টেটকী মায়কৈদগী থোকখ্রিবা ওর্দরশিং অদুসু তশেংনমক য়ুনিয়ন হেল্থ সেক্রেটরিগী মায়কৈদগী তাওথরকখিবা ইন্সত্রক্সন কয়াদগীনি। মরমদি অনৌবা ভেরিএন্ট ওমিক্রোননা হান্নদগী হকথেংনদুনা লাক্লিবা কোভিদকী ভেরিএন্টশিংদগী অমদগী অমদা শন্দোকহনবগী চাং শরুক অহুম হেনহল্লিবনি। মসিমক্না লৌখৎতবা য়ারক্তবদগী চেকশিন থৌরাংশিং অসি লৌখৎলক্লিবনি। কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভতা ঙক য়ৌনা পুখরিবা মণিপুরগী মীয়াম্বু ওমিক্রোনদা অমুক ইরাক্লদনবগীদমক লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংনি। মরম অসিনা মীয়াম পূনবগী থৌরমশিং থিংজিল্লক্লিবনি। ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লবা চেকশিন ৱা হায়রকপগা লোয়ননা থাবল চোঙবা য়ারোই হায়রকখ্রিবনি।

অদুবু য়ুনিয়ন হেল্থ সেক্রেটরিগী মায়কৈদগী লৈবাকসিগী ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা খঙহনবগী মনুং চন্না মণিপুরদসু খঙহল্লকপদগী পীরকখ্রিবা ইন্সত্রক্সনশিংদু অনৌবা চহী ২০২২ অসিগী মাঙওইনবা অরিবা চহী ওইখ্রবা ২০২১গী অরোইবা নুমিৎ বাই-বাই অমসুং থংনবা ন্যু য়র নুমিৎতদি পুমচাই চাইখি। মফম খরগী মরী লৈনবা লূপশিংনা মখোয়না কোল্লিবা মফমশিংদা পিক্লিক লাকপা য়ারোই, চাকচা হৈজানবা য়ারোই অমসুং পুল্লপ-পুল্লপ কোইরকপা য়ারোই হায়বগী অথিংবা ৱাহৈশিং ফোঙদোক্লখিবা য়াওরগসু নূঙদা ঈশিং চাইবগুম থোকখি। মহৌশা মহৌশাগী ওইবা ফীভমদা অদুম্মক হামু-হামু ওইখি। মফম খরদা য়াম্লবা মীয়াম তিন্দুনা অহিং নোংশোইবা থাবল চোঙনখি। শোয়দনা উপকদবা ফেস মাস্ক অমসুং সোসল দিষ্টেন্সিংগী ৱাফম কাউথোক্লবগুম তৌখি। কোভিদ ফ্রী ষ্টেট অমা ওইবগী মশক চপ চানা উবা ফংনখি। তৌসনু, তৌফম থোকই। অরিবা চহীগা শেৎন-খায়নবা অমসুং অনৌবা চহীবু তরাম্না ওকপগী পূক্লিং ৱাখল নুংশি য়ান্নবা নুমিৎ অনীনি। অতোপ্পা নুমিৎশিংনা ফাওহল্লক্লরোইদবা থম্মোয়গী ইহুলশিংনি। মসিগী মথক্তা হৌখিবা চহী ২০২০গী মার্চকী অরোইবা চয়োলদগী কোভিদকী অহানবা অমসুং অনীশুবা ৱেভশিংনা কুয়োম শানা য়োমশিল্লকপদগী মনীং তম্না হরাও-মথোই কাজবা ফংলক্তবগী মথক্তা মপান থোক্না হরাও নুংঙাইবা ফোঙদোকচবা ফংজরক্ত্রবা লমদমসিগী মীয়ামনি। মতম অসুক য়াম্না শাংনা খৌগংনদুনা খোঙ-খূৎ খক্তা নত্তনা মশা পূম্বা ফাজিন-পূনশিনবগী য়োৎহ্লিং ফলাং চন্দুনা লৈজরক্লবনি। ফোঙদোক্লখ্রিবা হরাও তয়াম্বদু ফাওবা মমাঙগী চহীশিংগা য়েংনরুবদদি য়াম্লমকময়েং তারবনি, হন্থরবনি। অদুবু লাক্লিবা ৱাফমদি তাঙনা অকক্লনা ফংবা নুংঙাইবগী মীকুপ্তুনা লমজিং ওইরগা থাবল চোংবা য়াওনা ফোঙদোক্লখ্রিবা পেন্থোকপা অমসুং নুংঙাইথোকপা অদুনা মমল য়াম্লবা পুন্সিশিংবু কোভিদ-১৯দা কমপ্রোমাইজ তৌদুনা অশিবগী খায়াৎতা খোঙ থাংজিনবগুম থোরকহল্লোইদ্রা হায়বনি। নাকল অমরোমদা মীয়ামগী পুন্সি কন্নবগীদমক লৈঙাক্কী মায়কৈদগী চীফ সেক্রেটরিনা থোকখ্রিবা অকনবা পাউতাকশিংদুবু চেকশিন্না থবক্তা ওন্থোক্কদৌরিবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং লো এনফোর্সিং এজেন্সীশিং মমিৎ-মনা পুংপং পংশিনখিদুনা মখূৎ মক্রাং লোন্দুনা লৈথোকখ্রিবদুনা করিগীনো হায়বনি। চৎন-কাঙলোন, লো অমসুং রুল শেম্বদি য়াম্না লুদে। অদুবু থবক্তা ওন্থোকহনবদুদি অরাইবা ওইদে হায়বসি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং মরী লৈনবশিংনা কাউদনবা ইদুনা থমহন্নীংই হায়বগী ৱানি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৩

১) *"তালোই মরুম্বী, মপারি নুংজানবা, মমোম নুংঙোনবী মরল য়াৱা পুজাও রোইবা পুন্নমাসুং অমল য়াইথোং কুম্বদা ৱাইর লমজেন ফিগুম ঙাইরোইনদে। গুরুমপাওতাক ফংজবদা -- ৱারমসনা মৈখাংবদুম নামপ্রকাশ ময়েক অহুমমানা ৱাকয়ৈ হিগা ওই, লমলোই থৌদোক খোলনা খুমুনৌগা ওই, ৱাচুম ললওইননা মানা মানা নিংবদা লাংওনখিএ। অসিগীদমকপু গুরুসনা মাখোংখাদা নোন্না লনথোই তানববু থিনফরোইএ"* ৱাহৈ পরেংশিং অসি করি লাইরিক্তগী লৌথোরকপনো?

২) **"শ্রী শ্রী গোবিন্দজী বসন্ত হোলি লিলা শৈশক শৈরেং"** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

৩) *"ইচে বীনো"* হায়বা লাইরিক অসি অইবা কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) *"ফিমন খুনবা"* হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কৃষ্ণমোহননা হন্দোকপনি। লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অদু কনানা করি লোলদা ইবা করি মমিং কৌবা লাইরিকনো?

৫) *"মীকুপ খরদুই পুন্সিগী মহাও"* হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# গ্রাফিনগী মেটেরিঅল - কিবোর্দ : পোৎশক অমবু সুপরকন্দক্টর অমসুং ইন্সুলেটর অনীমক ওইহনবা

সাইন্সকী খোঙচৎ

**কুঞ্জো নাওরেম**

ইলেক্ট্রোনিক্সকী লম্‌দা অনৌবা ইলেক্ট্রোনিক কম্পোনেন্টশিং শানবগীদমক মগুন ময়াম অমা য়াওরবা মেটেরিঅলশিং পুথোকপগী মথৌ তাদুনা লাক্লি। খুদম ওইনা, ইলেক্ট্রিক করেন্ট ফাওদুনা চৎপা ঙমদবা ইন্সুলেটরশিং অদুগা অতোপ্পা অমরোমদনা, করেন্টবু অথিংবা অমত্তা লৈহন্দনা চেলহনবা ঙম্বা হায়বদি এনর্জি মাঙহন্দবা সুপরকন্দক্টরশিং লৈরি। শাগদৌরিবা কম্পোনেন্ট অদুদা অকক্লবা মগুন অমা চেলহন্নবগীদমক মেটেরিঅল কয়ামুক পূনশিন্নবগী মথৌ তাই। অদুবু হৌজিক শীজিন্নরিবা নানোষ্ট্রকচরশিংগী মতাংদদি অসিগুম্বা থবক অসি অরাইবা অমদি ওইদে। অদুনা হৈ-শিংনা শেমগৎলবা মেটেরিঅলশিংগী মথৌ তারকই।

ETH Zurich কী Klaus Ensslin অমসুং Thomas Ihn না লুচিংবা থিজিন-লূপ অমনা সোলিদ ষ্টেট ফিজিক্সকী লেবতা চপ মান্নবা মেটেরিঅল অমবু ইচম চম্না ইলেক্ট্রিক ভোলটেজ অমা পীশিল্লগা ইন্সুলেটর অমুক ওইহনবা নৎত্রগা সুপরকন্দক্যর অমুক ওইহনবা নৎত্রগা মফম অমদনা ইন্সুলেটর ওইহল্লগা অতোপ্পা মফম অমদনা সুপরকন্দক্টর ওইহনবা ঙম্লে হায়না 'নেচর নানোটেক্নোলোজি' দা ফোঙদোরক্লি। থিজিন-লূপ অসিনা হৈ-শিংনা শেমগৎলবা গ্রাফিন ফ্লেকশিংদা ইলেক্ট্রিক ভোলটেজ অমা পীশিল্লগা ইন্সুলেটর নৎত্রগা সুপরকন্দক্টর ওইহনবা ঙমখিবনি। টেক্নিক অসিগী মতেংনা গ্রাফিন ফ্লেক অমগী মফম অমগা অতোপ্পা মফম অমগগী ফিজিকেলগী মগুণশিংদা খেন্নহনবা ঙমখি হায়রি।

Ensslin অমসুং মহাক্কী থিজিন-লূপ অসিনা শীজিন্নখিবা মেটেরিঅল অসিগী মমিং 'মেজিক এঙ্গল ত্বিষ্টেট বাইলেয়র গ্রাফিন' হায়রগা খঙনৈ। মসি এটম অমগা থাবা মান্নবা কার্বনগী মরোলশিং ওইরিবা গ্রাফিন ফ্লেকশিংনা শেম্বনি। মরোলশিংদুগী মনুংদগী অনীখক লোনশিন্নরগা মখোয়গী ক্রাইষ্টল এক্সিসশিংদু পেরেলেল ওইনহল্লমদে, অদুবু দিগ্রী ১.০৬কা চপ মান্নবা 'মেজিক এঙ্গল' অমদি শেমহল্লন্মী। মখোয়না ফ্লেকশিংদু শেমখিবা মতমদা শাবগী চাংদু চপ চাবা চাং অমদা হোংহন্দনা থল্লন্মী। মখোয়না চাং য়েংখিবশিংগী ২০%দা মায় পাকপা থেংনরম্মী, অদুগা গ্রাফিন ফ্লেকশিংগী এটোমিক ক্রাইষ্টল লেট্টিসশিংনা অচম্বা গ্রাফিন্দা ইলেক্ট্রোনশিংনা লৈবগী মওংদুগা পুমখেন খেন্নবা "moire pattern" হায়না খঙনরিবদু ওইরকখি।

থিজিন-লূপ অসিনা মেটেরিঅল অদুদা ভোলটেজ পীশিনবা য়ানবগীদমক মেজিক এঙ্গল গ্রাফিন ফ্লেকশিংগী মথক্তা ইলেক্ট্রোদ কয়ামুক হাপ্লন্মী। এবসোল্যুট জিরো (মাইনস ২৭৩ দিগ্রী সেলসিয়স) গা নক্লনা ঈংহনবা মতমদা শিংথানীংঙাই ওইরবা অঙকপা থৌওংশিং থেংনরক্লন্মী। পীশিল্লিবা ভোলটেজদুগী মখা পোন্না গ্রাফিন ফ্লেকশিংনা তোপ-তোপ্পা খেন্নবা মগুন অনীগী শক্তম লৌরক্লন্মী ঃ সুপরকন্দক্টর অমা ওইনা নৎত্রগা ইন্সুলেটর অমা ওইনা। অসুম্না অমুক ওইহনবা অদুগা অমুক ওইহন্দবা য়াবা 'স্বিটচেবল সুপরকন্দক্টিভিটি' সি মসাচুসেটস ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি (এম আই টি) না কুমজা ২০১৮দা হান্ননা উৎখ্রবনি। অদুগা হৌজিক ফাওবদা অসিগুম্বা সেম্পলশিংসি মালেমগী ওইনা থিজিন-লূপ খরখক্তনা পুথোকপা ঙম্লিবনি।


থিজিন লূপ অসিনা মখা তানা চাংয়েংশিং পাঙথোকখি। মতমসিদা, তোঙান তোঙানবা ইলেক্ট্রোদশিংদা তোঙান তোঙানবা ভোলটেজশিং পীশিনবা মতমদা মেজিক এঙ্গল গ্রাফিনবু মফম অমদনা ইন্সুলেটর ওইহনবা অদুগা নানোমিটর চাম্মমুক চৎথোল্লগা লৈবা মফম অমদনা সুপরকন্দক্টর ওইহনবা ঙম্লল্লন্মী। মখোয়না অসিগুম্বা অঙকপা মতৌসি হেক থেংনখিবা মতমদুদা 'জোসেফসন জংসন' অমগী মরমদা খনবা হৌখি হায়না Ensslins laboratory দা পোষ্টদোক




ইলেক্ট্রোদশিংবু পিয়ানো কিশিং ওইনা শীজিন্নরগা, ইন্সুলেটিং লেয়র (নানোমিটর ১০০ খক্তমক থাবা) অমবু সুপরকন্দক্তর অনীগী মরক্তা শেম্বা।



Klaus Ensslin




তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা ইলেক্ট্রিক ভোল্টেজ ('কি') শিং পীশিল্লগা, মেজিক - এঙ্গল গ্রাফিন সুপরকন্দক্তিং (ইলেক্ট্রোন জুরা) নৎত্রগা ইন্সুলেটর (বেরিয়র) ওইহনবা।

ওইরিবা Fokko de Vries না ফোঙদোক্লি। অসিগুম্বা জংসনশিংদা সুপরকন্দক্টর অনীগী মরক্তা য়াম্না পাবা ইন্সুলেটিং লেয়র অমা থম্মী। মসিদা করেন্টনা সুপরকন্দক্টর অনীদু ফাওরগা হকথেংননা চেনবগী মহুৎতা ইন্সুলেটরদু ফাওরগা ক্বান্টম মেকানিকেলগী ওইনা চেল্লল্লন্মী। মসিনা মরম ওইরগা, শীজিন্নরিবা দাইরেক্ট করেন্ট (দি সী) নৎত্রগা অল্টর্নেটিং করেন্ট (এ সী) গী মখা পোন্না তাইনফমদুগী কন্দক্টিভিটি হোংহনবা য়াই।

ETH কী থিজিন লূপ অসিনা ইলেক্ট্রোদ অহুমখক্তা তোঙান তোঙানবা ভোলটেজশিং থাজিল্লগা মেজিক এঙ্গলদু হোংহল্লগা গ্রাফিন ফ্লেকশিংগী মনুংদা জেসেফসন জংসন শেমহল্লন্মী অদুগা মসিগী মগুণশিংদু পুথোল্লন্মী। হৌজিক্তি SQUIDs (সুপরকন্দক্টিং ক্বান্টম ইন্টরফরেন্স দিভাইসেস) কুম্বা হেন্না কমপ্লেক্স ওইরবা দিভাইসশিংদা খূৎ থাবা হৌরম্মী। SQUIDs তা জেসেফসন জংসন অনী শমজিন্নদুনা রিং অমা শেল্লন্মী। অসিগুম্বা খূৎলায়শিংগী শীজিন্নফমশিংগী মনুংদা য়াম্না পিকপা মেগ্নেটিক ফিল্ডশিং ওনবা, অদুগা ক্বান্টম কম্প্যুটরশিংগুম্বা অনৌবা টেক্নোলোজিশিং শীজিন্নবা য়াওরি। ক্বান্টম কম্প্যুটরশিংদা শীজিন্ননবগীদমক ইলেক্ট্রোদশিংদুনা গ্রাফিন ফ্লেকশিংবু ইন্সুলেটরশিং অমসুং সুপরকন্দক্টরশিংদা ওন্থোকপখক্তা নত্তনা, মেটরিঅলদুগী ফীবান (এদজ) লোমগী মায়কৈ অমখক্তদা করেন্ট চেলহনবা য়ারিবা, মেগ্নেটশিং নৎত্রগা টোপোলোজিকেল ইন্সুলেটরশিং কৌনরিবা অদুদা ওন্থোকপসু য়াই হায়রি। মসিনা সিঙ্গল দিভাইস অমদা তোঙান তোঙানবা মখলগী ক্বান্টম বিটশিং (qubits) পুথোকহনবা ঙমগনি।

অদুম ওইনমক, হৌজিকমক্কী ওইনদি খন্নরিবশিংসি রিসর্সকী তাঙ্কক্তা লৈরি হায়না Ensslin না ফোঙদোক্লি। হৌজিক্কী ওইনসু, ইলেক্ট্রিসিটিবু অসুম্না লাকশিনবা ঙম্লকপা অসিনা কানবা কয়া পুরকপদি ঙম্লগনি। ইলেক্ট্রোদশিংদুগা লোয়ননা গ্রাফিন্দা পিয়ানো খোংবা হায়বসি ওইথোকপা য়ারগনি। মসিগীসু মথক্তা, মেজিক এঙ্গল গ্রাফিন্না সুপরকন্দক্টিভিটি ওইরকপগী মপূং ফারবা মেকানিজমশিং খঙবদসু ফিজিসিষ্টশিংদা অচৌবা মতেং ওইরগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোক্লি। ●

# ইন্দিয়াগী হোকি

**- লৈশাংথেম অজিৎ -**

ইন্টরনেসনল হোকি ফেদরেসননা অশিন অরাং তৌদুনা ১২শুবা নুপামচা চহী ২১গী মখাদা লৈবশিংগী Men's FIH Hockey Junior World Cup চহী অনী অনী লৈরগা পাঙথোকপা টুর্নামেন্ট অসি কুমজা ২০২১গী নবেম্বর ২৪দগী দিসেম্বর ৫ ফাওবা উরিষাগী কোনুং ভুবনেশ্বরদা লৈবা কলিঙ্গ ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবদা হৌখিবা টুর্নামেন্টতা চেম্পিয়ন ওইখিবা ইন্দিয়াবু জর্মনিনা সেমিফাইনেলদা মায়থীবা পীদুনা অর্জেন্টিনাগা জর্মনিগা ফাইনেল শান্নবদা অর্জেন্টিনানা পাঞ্জল ৪-২দা থোইখি।




ইন্দিয়া মচাশিংনা খ্বাইদগী পাম্নবা মশান্না অসি ক্রিকেট অমসুং হোকিনি। মশান্না অনী অসি ইন্দিয়াগী ৱাংমদগী বৃটিশনা পুশিল্লকপনি হায়বা ঐখোয়না খঙনরে। অদুবু হোকিগী ওইনদি লৈবাক অসিগী সহর অমসুং খুঙ্গংশিংদা ইনাক খুনবা অমদি লায়রবা মচাশিংনা শান্নে। ক্রিকেটকী ওইনদি অয়াম্বনা সহরশিংদা মরু ওইনা ইনাক খুনবা মচাশিং, নিংথৌগী ইমুং মনুংশিংনা হেন্না থৱায় য়াওনা শান্নখি।

মরম অসিনা ইন্দিয়ানা মনীং মখা তমদ্রিঙৈদা কুমজা ১৯২৮দা অমষ্টর্দামদা পাঙথোকখিবা ৯শুবা ওলিম্পিক গেমসতা লৈবাক অসিনা হোলেন্দবু ফাইনেলদা পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীদুনা ওলিম্পিক চেম্পিয়ন ওইখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিনা লেপ্পা লৈতনা কুমজা ১৯৬৪দা টোকিওদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক ফাওবা চেম্পিয়ন ওইখি। মদুদা ইন্দিয়ানা পাকিষ্টানবু পাঞ্জল অমখক্তা চনবা ঙমখি। লৈবাক অনী অসি তোখায় তোখায়না খায়দোক্লখিবা মরম্না কুমজা ১৯৪৮গী লন্দন ওলিম্পিক্তা পাকিষ্টান্না অহানবা ওইনা ওলিম্পিক্কী হোকিদা শরুক য়াখিবদা মরিশুবা পোজিসন তাখি।

লন্দন ওলিম্পিক গেমস (১৯৪৮) দা লৈবাক ১০না শরুক য়াখিবা হোকিগী অথোই অহেন তান্নবা অদুদা মথং মনাও নাইনা ইন্দিয়া, গ্রেট বৃটেন, নেদরলেন্দ, পাকিষ্টান, বেলজিয়ম, স্বিটজরলেন্দ, অফঘানিষ্টান, ফ্রান্স, দেনমার্ক অমসুং খ্বাইগী মনিংদা য়ু এস এনি। অদুবু মথং মথং ওইনা মেলবোর্নদা কুমজা ১৯৫৬তা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক্তা পাকিষ্টানবু ইন্দিয়ানা ফাইনেলদা য়াম্না ৱানা ১-০দা থোইদুনা গোল্ড মেদল ফংখি। তৌইগুম্বসুং চহী অনীগী মতুংদা কুমজা ১৯৫৮দা টোকিওদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন গেমসতা পাঞ্জল মশীং য়াম্না চনখিবা হায়বদি গোল এভরেজদা পাকিষ্টান্না চেম্পিয়ন ওইদুনা পাকিষ্টানগী মনীং থুংখি। হাবুল মুখর্জি কৌবা লক্ষনৌ সহরদা লৈবা ফৈজোম শেৎপা, ক্বা য়াম্না চাবা, দিসিপ্লিন য়াম্না লৈবা স্পার্টান অমা ওইবগী লীচৎ য়াম্না পামজবা অমনা কুমজা ১৯৬৪গী টোকিও ওলিম্পিক্তা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়া টিমগী কোচ ওইরমখি। ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টান অনীমক হোকি শান্নবগী মওং, প্লান্নিং, লাল্লোং পূম্নমক চপ মান্নে হায়বা মহাক খঙই। মহাক্না পূক্লিং হকচাং য়াওনা লৈবাক অসিগী হোকি টিমবু মপাঙ্গল কনখৎহল্লি, শান্নবগী লাল্লোং, ষ্ট্রেটেজি তোঙানবা মওংদা তাকপী তম্বীদুনা মালেম পূম্ববু মায়থীবা পীদুনা ইন্দিয়ানা সনাগী মেদল অমুক হন্না ফংবা ঙমখি। ঐখোয়না নীংশিংগদবদি কুমজা ১৯৫৮দা টোকিওদা অহানবা ওইনা হোকি মশান্নবু য়াওহনখিবদা পাকিষ্টানগী টিমনা সনাগী মেদল ফংখি, ইন্দিয়ানা অনীশুবা পোজিসন্দা লৈখি। লৈবাক অসিনা মথংগী গেমস জকারটাদা পাঙথোকখিবদা ইন্দিয়াবু ২-০দা মায়থীবা পীদুনা এসিয়ান গেমসকী হোকি চেম্পিয়ন অনীরক ওইখি। খা কোরিয়ানা মশান্না অসিদা খুমাঙ চাওশিন্দ্রিবা ফাওবা কুমজা ১৯৫৮দা টোকিওদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন গেমসতা অহানবা ওইনা থৌরম অমা ওইনা য়াওহনখিবা মশান্না অসি থংনা থংননা (১৯৫৮, ১৯৬২) মায়থীবা পী। তৌইগুম্বসুং ইন্দিয়ানা কুমজা ১৯৬৬কী বেঙ্কোক্তা পাকিষ্টানবু ১-০দা মায়থীবা পীদুনা সনাগী মেদল ফংখ্রবসু, মথংগী গেমস ১৯৭০দা বেঙ্কোক্তা অমুক হন্না পাঙথোকখিবদা ইন্দিয়া পাকিষ্টানগী মখূৎতা মায়থীবা ফংখি। খ্বাইদগী লাইবক থীবদি কুমজা ১৯৮২দা ন্যু দেল্লীদা পাঙথোকখিবা মাপলশুবা এসিয়ন গেমসতা লৈবাক অনী অসিনা ফাইনেল শান্নখিবদা ন্যু দেল্লীদা লৈবা অচৌ অশাংশিং, ইনাকখুনবা, মমিং লৈবা মীয়াম খক্তা নত্তনা এসিয়াগী মফম কয়াদগী লাকখিবা শান্নরোয় অমদি ওফিসলশিংনা য়েংখিবা মেটচ অদুদা ইন্দিয়াবু পাকিষ্টান্না পাঞ্জল ৭-১দা মায়থীবা পীখিবা অদুনি।

ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টান অসি মতম অমদা মালেমদা খ্বাইদগী হোকি হৈবা লৈবাক ওইরম্মী। অদুবু মতমগী মতুংইন্না লৈবাক অনী অসি হান্নগী লৈরম্বা মতিক মগুণশিং অদু তপ্না তপ্না মাঙখ্রে। অদুনা মশান্না অসিগী সুপর পৱারদি য়ুরোপ অমদি ওসিনিয়া (ওষ্ট্রেলিয়া, ন্যুজিলেন্দ) না তপ্না তপ্না ওইখ্রে। ন্যুজিলেন্দ রোম ওলিম্পিক (১৯৬০) তা মঙাশুবা অমদি ওষ্ট্রেলিয়া (১৯৬০) না তরুকশুবা পোজিসন্দা লাকখি। গেমস অসিদা ইন্দিয়াবু পাকিষ্টান্না মায়থীবা পীদুনা সনাগী মেদল লৌখিবা অহানবনি।

কুমজা ১৯৬৪ (টোকিও) দা ১৪শুবা, কুমজা ১৯৬৮ (মেক্সিকো) দা ৭শুবা, কুমজা ১৯৭২ (ম্যুনিক) তা ৯শুবা পোজিসন তাখিবা ন্যুজিলেন্দগী হোকি টিমনা চহী মরিগী মতুংদা মোনত্রেলদা কুমজা ১৯৭৬তা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়ানা ৭শুবা তাখিবা চহীদা লৈবাক অসিগী টিমনা ওষ্ট্রেলিয়াবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীদুনা ওলিম্পিক চেম্পিয়ন ওইখিবা অসিদা মালেম পূম্বনা লৈবাক অসিবু থাগৎনখি। মথংগী ওলিম্পিক মোস্কোদা কুমজা ১৯৮০দা পাঙথোকখিবদা য়ু এস এ অমসুং জপাননচিংবা লৈবাক্লা লুচিংদুনা ওলিম্পিক গেমস বোয়কোট তৌখিবা মরম্না হোকি মশান্নদা মচিন তুম-খৎলক্লিবা ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং ন্যুজিলেন্দ শরুক য়াখিদে। মরম অদুনা ইন্দিয়ানা সনাগী মেদল লৌনবা স্পেনবু ফাইনেলদা ৪-৩দা থোইখি। হোকি হৈতবা রুসিয়া (য়ু এস এস আর) না অহুমশুবা অমদি পোলেন্দনা মরিশুবা তাখি। ●